**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরদা হয়েং অমত্তা ওইবগী কুম্হৈ মেরা হৌ চোংবগী থৌরম পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। থৌরম অসিদা শরুক য়াগদবা চাংগী লুচিংবশিং ওকপগী থৌরম হৌজিক সনা কোনুংদা পাঙথোক্লি।

২) ইম্ফালগী মন্ত্রি পুখ্রিদা শাবা মণিপুর পুলিস হেদক্বাটরগী অনৌবা বিল্ডিং অথুবা মতমদা শঙ্গারগনি।

৩) ককচিং বজারদা লৈবা য়ুনাইতেদ কো-ওপরেতিভ বেঙ্ক ব্রাঞ্চ ঙসি শকখঙদবশিংনা লুট তৌখ্রে।

৪) কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা কেন্দ্র সরকারগী দি.এ অমসুং দি.আর চাদা অহুম হেনগৎপদা অয়াবা পীখ্রে।

অমসুং

৫) বি.জে.পি লুচিংবা নয়ব সিংহ সাইনিবু হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা হয়েং ৱাশক লৌরগনি।

------

হৌ চোংবা (এল)ঃ মণিপুরগী চীংবুরোহ তম্বুরোই অনিগী মচিন মনাউ ওইবা, নুংশি চান্নবা অমদি অপুনবগী শক্তম উৎলিবা মেরা হৌ চোংবগী থৌরম হয়েং পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

ষ্টেট লেবেল ওর্গনাইজিং ওন মেরা হৌ চোংবনা শিন্দুনা থৌরম অসি ইম্ফালগী কংলা অমসুং সনা কোনুংদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, রাজ্য সভাগী এম.পিসু ওইরিবা মৈদিংঙু লৈশেম্বা সনাজাউবা অমদি মন্ত্রি, এম.এল.এশিংসু শরুক য়াগনি। কংলা উত্রদা মহৌশাদগী চৎনরকপা নাৎকী ওইবা মেরা মেন তোংবা, য়েনখোং তম্বনচিংবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

হয়েং পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগী মাংওইননা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাইবা, অমাইবী, পেনা অমদি ফমাইবশিং য়াওনা কংলা মেন শুরুংদা মেনখোং লাংবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, থৌরম অসি শরুক য়ানবা চীংগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী খুল্লাকপশিং, লুচিংবশিং ঙসি সনা কোনুংদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা তরামা ওকপগী থৌরম অমা হৌজিক পাঙথোক্লি। মসিদা তোঙান তোঙানবা নাৎকী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্লি।

মৈরা হৌ চোংবা নুমিৎকা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। মহাক্কী পাউজেলদা শ্রী বিরেন্না হায়- মেরাগী পুর্নিমা নুমিৎতা পাঙথোক্লিবা হৌ চোংবগী নুমিৎ অসিনা রাজ্য অসিদা চহি কয়া খুন্দামিন্নরক্লিবা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশিন্নবা অমদি মচিন মনাউ ওইবগী শক্তম অদু উৎলি। রাজ্য অসিদা কাংলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা য়েংথিননবা শিল্লিবা দিভাইসিব ফোর্সশিংবু অপুনবা মণিপুরী খুন্নাই অসিনা নিংথিনা লাকশিনবা ঙল্লবা মতমদা নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী হেন্না মশক থোকপা হায়বদু ওইগনি। কুম্ন্ধে অসিনা ফুরুপশিংগী মরক্তা হান্না লৈরম্বা নুংঙাইনদবশিং কাউথোকদুনা শান্তি ওইনা পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অদু পুরকপা ওইরসনু।

ৱার্ল্ড মৈতৈ কাউন্সিলনসু মেরা হৌ চোংবা নুমিৎনা লাকপদা লমদম অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- ইম্ফালগী মন্ত্রি প্খ্রিদা শাবা মণিপুর পুলিস হেদক্কাটরগী অনৌবা বিল্ডিং শাবা লোইরে। অথুবা

মতমদা শঙ্গারগনি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুর পুলিসকী অনৌবা হেদক্বাটর অসিদা মতমগা চুনরবা ৱার্ল্ড ক্লাস ফেসিলিতিশিংগী খুদোংচাবা লৈগনি। মহাকা হায়- অনৌবা পুলিস হেদ ক্বাটর অসিনা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংদা থবক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

শঙ্গাবা (এল)ঃ পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায় মল্টি য়ুতিলিতি য়ুথ সেন্তর অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গদা লৈবা লোক্তাক লাইরেম্বী গ্রাউন্দদা শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন মোইরাংথেম অশিনিকুমারনা হায়- সেন্তর অসি মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী স্পেসিয়েল প্রোজেক্ট মখাদা শাখিবনি। মসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্য অসিগী নহাশিংবু ড্রগ অমসুং এন্তি সোসিয়েল ওইবা থবকশিংদগী লাপথোকহন্নবা পায়খৎপা থৌরাংগী মখাদা সেন্তর অসি শাখিবনি। হায়রিবা সেন্তর অসিদা নহাশিংগী জিম, কম্প্যুটর, শিক্ষা অমসুং ঈ-পাউগা মরী লৈনবা কয়া শন্দোক্নদবা টি.ভিনচিংবা য়াওরি।

এসসিইআরটি (এল)ঃ এস.সি.ই.আর.টিগী দাইরেক্তর এ. রোমেলনা হায়রি-নেসনেল করিকুলম ফ্রেমৱার্ক ফোর ফাডন্দেসনেল ষ্টেজ ২০২২ গী চৎন কাংলোন মখাদা রাজ্য অসিগী লৈহাউগা চুনবা মওংদা একাদমিক করিকুলম শেমনবা এস.সি.ই.আর.টিনা থবক পায়খৎপা হৌরে।

এস.সি.ই.আর.টি মল্টি পরপজ হোলদা নুমিৎ মঙানি চুপা চত্থগদবা ৱার্কসোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রোমেলনা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা ফাউন্দেসনেল ষ্টেজগী করিকুলম শেম শাবগী ৱার্কসোপ অসি হন্দক্কী অসি থারগা অহুম্লক শুরে। হন্দক্কী ৱার্কসোপ অসি হেক লোইবগা মপুং ফাবা ফাউন্দেসনেল ষ্টেজগী করিকুলম শেমদুনা পুথোক্লগনি। করিকুলম অসি শেম্বদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট এক্সপার্টশিং শরুক য়াখি।

রিজল্ট (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী জেনেরেল এন্নাউসর লৌবগী ওদিসন-ভোইস টেষ্টকী ফল লাউথোক্লে। কেন্দিদেন্টশিংনা ওফিসকী নোটিশ বোর্দ নত্রগা

ওফিসকী গেট নত্রগা অকাশবানি ইম্ফালগী ফেসবুক পেজদগী মসিগী ফল য়েংবা য়াগনি। খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংনা ইন্তরভিউগীদমক লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯ মিনিট ৪৫ দগী ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা অকাশবানি ইম্ফালদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। মখোয়না লাকপা মতমদা মশা মশাগী এদমিত কার্দশিং লোয়ন্নরক্কদবনি।

বেঙ্ক লুট (এল)ঃ ককচিং বজারদা লৈবা য়ুনাইতেদ কো-ওপরেতিভ বেঙ্ক, ককচিং ব্রাঞ্চ ঙসি শকখঙদবশিংনা লুট তৌখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী ককচিং পাউমী নোংমাইথেম ভাবেশ্বরনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়- থৌদোক অদু ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ৩ লোম তাবদা থোকখিবনি। শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওই অমা বেঙ্ক মনুংদা চংলক্লগা বেঙ্ককী ষ্টাফশিং কিহল্লবা মতুংদা লুপা লাখ ৬ হেনবগী শেনফম লুট তৌখ্রে হায়রি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস.পি- টি.ঐচ. বিক্রমজিৎনা লুচিংবা পুলিসকী কাংবু অমনা থৌদোক থোকফমদা লাক্তুনা য়েংশিনখি। পুলিসনা বেঙ্ক অসিগা মরী লৈনবা ৱারোলশিং লৌবগা লোয়ননা থিজিনবগী থবক কন্না চত্থরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

বিশ্বজিৎ (এল)ঃ রাজ্যগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়রি- কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা ২০২৫-২৬ গী ওইনা নিংথম মহে মরোংগী মিনিয়মম সপ্লোর্ট প্রাইস অয়াবা পীখিবা অদুনা লৌমীশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- রেপসিদ অমসুং হঙ্গাম মরুগী মমল ক্বিন্টল অমদা লুপা ৩০০, হৱাই মসুর ক্বিন্টল অমদা লুপা ২৭৫, চানা, গেহু, সেফ্লাৱার অমসুং বার্লিগী মিনিমম সপ্লোর্ট প্রাইস ক্বিন্টল অমদা লুপা ২১০, ১৫০, ১৪০ অমসুং লুপা ১৩০ হেনগৎলে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী থৌরাং অসিনা থবক কন্না শুজরগা পোত্থোক পুথোক্লিবা লৌমীশিংদা চপ চাবা শেনফম ফংহনবতা নত্তনা লৌউ শিংউগী লমদা হেন্না পুকিং থৌগৎলগনি।

ডে (এল)ঃ   ৩৫ শুবা লোক্তাক ডে হয়েং পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা দ য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, নিংথৌখোংনা শিন্দুনা রন ফোর লোক্তাক পাঙথোক্কনি। লোক্তাক পাৎকী মরমদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্‌বগা লোয়ননা মসিবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা নহারোলশিংনা লৌগদবা থৌদাং হায়বসিদা লমজেল অসি পাঙথোক্কদবনি। লমজেল অসি এল.দি.এগী চেয়ারমেন এম. অশিনি কুমারনা লমথাগনি। মসিগী তুংদা লোক্তাক ইমা লাইরেম্বী পুজা পাঙথোক্লবা মতুং লোক্তাক লাইরেম্বী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ঙা মচাশিং থাদগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা থাঙ্গ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং অমদি মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোক্কনি।

লোক্তাক ডেনা লাকপদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিতি (এল.দি.এ)গী চেয়ারমেন- এম. অশিনি কুমারনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়- লোক্তাক হায়বসি লমদম অসিগী মহৌশাগী হেরিতেজগী খুদম অমনি। মসিবু য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি অকোইবগী খল খক্তা নত্তনা মসিদা শৈদাংলিবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক্তনি।

দিব্রার্মিং (এল)ঃ   দিষ্ট্রিক্ট হেলথ মিসন সোসাইতি ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা জিলা অসিগী ওইনা অনিসুবা তাঙ্কক্কী নেসনেল দিব্রার্মিং ডে ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা জেম পাব্লিক স্কুলদা হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট, ডাঃ এল. ইন্দিরা দেবী, জেম পাব্লিক স্কুলগী পৌরাবীগী ফাউন্দর ৱাহেংবম ইবোহনবী মৈতৈনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা চীফ মেদিকেল ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট ওইরিবা ডাঃ এল. ইন্দিরানা হায়- অঙাংশিংদা তিলনা থোকহনবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকবগীদমক নেসনেল দিব্রার্মিং ডে অসি পাঙথোকপনি। চহি অমদা অঙাংশিংদা দিব্রার্মিং টেব্লেৎ অসি অনিরক পীজগনি। মসি তিল মখল অহুম-

তিনকুপ, রাউন্দ ৱার্ম অমদি হুক ৱার্মদগী অঙাংশিংবু ঙাকথোকনবা টেল্লিৎ অসি পীজবনি। তিলনা থোকহনবা লায়নশিংদগী ঙাকথোকবগীদমক তরু তনান্না লৈবা য়ামমক তঙাইফদে।

অমুর ফালকোন (এল)ঃ মীরমদগী পাইরকপা অতাঙবা উচেক অমুর ফালকোন ঙাক শেনদুনা থমবা খন্ন-নৈনবগী ৱার্কসোপ অমা ঙসি তমেংলোংদা পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অসি তমেংলোং ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তমেংলোং অনি পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা তমেংলোং জিলাগী এস.পি. লানমিও লুইখম, ইনভাইরোনমেন্টেল এক্তিভিষ্ট শলাম রাজেশনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা দি.এফ.ও- কে.ঐচ হিটলরনা হায়- ২০১৫ দগী হৌদুনা মীরৈবাক্তগী পাইরকপা তাঙলবা উচেক অমুর ফালকোন অসি ঙাক শেন্নবা সরকারনা অকনবা থবক লৌখৎতুনা লাক্লি। মথং থাদা হায়রিবা উচেক অসি ঙাক শেন্নবা মতাংদা পাউজেল পীবা অমুর ফালকোন ফেষ্টিভেল পাঙথোক বা শেম শারি। কুমশি চহি অসিদা অমুর ফালকোন অনি জিও টেগ্গিং তৌদুনা মখোয়না করম করম্বা মফমশিংদা পাইখিবগে হায়বদু য়েংশিনগনি।

এস.পি- লানমিও লুইখমনা হায়-অমুর ফালকোন অসি ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী অচৌবা দাইত্ব লৈ।

হোম গার্দ (এল)ঃ মণিপুর হাই কোর্টনা হোম গার্দশিংগী ওইবা তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল অমা থমনবা রাজ্য সরকারগী মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই. মঙ্গিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হোম গার্দশিংগী চাউখৎ থৌরাংদা হেন্না চাওশিন্নবা হোম গার্দকী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল থম্বীনা সরকারদা হায়জদুনা লাকখি। অদুবু থবক্তা ওন্থোকপীদবদগী হাই কোর্টতা ৱাকৎখিবনি। চেরোল অসিনা হায়- ৱাকৎ অসিগী মতুংইন্না থা অসিগী ১৪ দা চথখিবা হিয়ারিং অমদা জষ্টিস এ. গুনেশ্বর শর্ম্মগী বেঞ্চ অমনা থা মরিগী মনুংদা

হোম গার্দকী তোঙানবা কম্মান্দেন্ট জেনেরেল থমবা খঙহনখিবনি। মসিগীদমক জষ্টিস এ. গুনেশ্বর অমদি পিটিসনরগী সেনিয়র এদভোকেট এম. হেমচন্দ্র অমসুং এদভোকেট এম. রেনদিবু হোম গার্দ পার্সোনেলশিংনা থাগৎপসু ফোংদোরক্লি।

কৃটন (এল)ঃ গুরু গুলাপি নট সংকৃটন একাদমিনা শিন্দুনা নুমিৎ নিনি চুপা চথুগদবা ৩১ শুবা গুরু কৃটন সেবা ঙসি ক্বাকৈথেল ঙানপ্পী থোং মপালদা লৈবা একাদমি অসিদা হৌদোকখ্রে। থৌরমদুদা শকাইরবা কৃতিক অমদি হন্দোক্লোই লাইশ্রম মেমো সিংহদা গুরু খ্বাইরাকপম লৈবাকমচা নিংশিং মনা, মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ডান্স এন্দ ম্যুজিক্কী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডাঃ এম. থোইবদা খ্বাইরাকপম ব্রাংখৈ নিংশিংমনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌবাল (এল)ঃ ৱাই.কে. কলেজ ৱাংজিং অমসুং এসোসিয়েসন ওফ ফুড সাইন্তিষ্ট এন্দ টেকোলোজিষ্ট ইন্দিয়া, মণিপুর চেপ্তরনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ফুড ডেগী থৌরম ঙসি থৌবালদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা থাংজম এগ্রো ইন্দষ্ট্রিজগী প্রোপ্রাইটর- থাংজম জোয়কুমার, ৱাই.কে. কলেজগী প্রোফেসার শোইবম গিরিনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা অখঙ অহে কয়ানা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা উখ্রুল জিলাগী সাকপাউদা সেক্যুরিতিগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। খুল ১০ গী মীহুৎ ১৬ রোমা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা লমদম অদুগী হৌজিক ওইরিবা ঙাকশেলগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড ষ্টুদেন্টস ডেগী থৌরম ঙরাং চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- মফমশিং অসিদা লৈরিবা নহাশিংগী তুংগী পুন্সিদা অফবা ওইনবা অমদি মখোয়গী মহৈ মশিংদা হেন্না পুকিং থৌগৎনবনি।

স্পোর্টস (এল)ঃ  মণিপুর য়ুনিভসিতি স্পোর্টস কমিতিগী মখাদা থৌবাল কলেজনা শিন্দুনা হাওবম তোম্বা অমসুং হাওবম অনন্দি মেমোরিয়েল এম.য়ু ইন্তর কলেজ বাস্কেট বোল তুরনামেন্টকী ঙসি থোবাল কলেজগী বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেলদা টি.এস. পোল মণিপুর ৱিমেন কলেজনা থৌবাল কলেজবু পোইন্ট ২০-১৩ দা থোইখ্রে। নুপাগীদনা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিনা এন.জি কলেজবু পোইন্ট ২০-১৮ দা থোইদুনা টাইতল লৌখ্রে।

কেবিনেট ঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলনা কেন্দ্র সরকারগী দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স (দি.এ) অমসুং পেন্সনরশিংগী দিয়ারনেস রিলিফ (দি.আর) চাদা অহুম হেনগৎপদা অয়াবা পীখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি মন্দলগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অশ্বিনি বৈষ্ণোনা হায়- দি.এ অমসুং দি.আর হেনগৎপা অসিনা কেন্দ্র সরকারগী কর্ম্মচারি লাখ ৪৯ অমসুং পেসন্নর লাখ ৬৪ হেনবদা কান্নবা পীরগনি। থৌরাং অসিনা সরকারগী পুক্কৈদগী চহি অমদা লুপা কোতি লিশিং ৯,৪৪৮ চাদিং তৌগনি। মন্ত্রি মন্দলনা ইং ২০২৫-২৬ কী ওইনা নিংথম লৌরোক্কী মিনিমম সপ্পোর্ট প্রাইস হেনগৎপদসু অয়াবা পীরে।

মন্ত্রিনা হায়- সরকারনা উত্তর প্রদেশকী গঙ্গা তুরেল মথক্তা অনৌবা রেল কম রোড ব্রিজ য়াওনা বরানাসি-পন্দিৎ দিন দয়াল উপধ্যায় মল্টি ত্রেক্কিং প্রোজেক্ট পায়খৎনবা অয়াবা পীরে। প্রোজেক্ট অসিনা লম্বী চৎথোক চৎশিন হেন্না লাইথোকহনবগা লোয়ননা থাউ পুথোক পুশিন তৌবগী মমল হন্থহনবা অমসুং কার্বোন দাই ওক্সাইদ পুথোকপগী চাং হন্থহল্লগনি। মহাকা হায়- প্রোজেক্ট অসি শেমগৎ শাগৎলিঙৈ মনুংদা মীওই লাখ ১০ রোমদা হকথেংননা থবক পীগনি। প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ২,৬৪২ চংনা পায়খৎকদবনি অমদি চহি মরিগী মনুংদা শাবা লোইশিনগনি।

হরিয়ানা ঃ বি.জে.পি লুচিংবা নয়ব সিংহ সাইনিবু হরিয়ানাগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা হয়েং ৱাশক লৌরগনি। মহাকপু য়েৎনবা লৈতনা বি.জে.পি লেজিসলেচর পার্তিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবনি। পঞ্চকুলাদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা লেজিসলেচর পার্তিগী মীফম লোইরবা তুংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমসুং দলগী ওবজার্ভর অমিত সাহনা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি। মহাকা হায়- মীফম অদুদা নয়ব সিংহ সাইনিগী মীং অসি দলগী এম.এল.এ- অনিল ভিজ অমসুং কৃষ্ণকুমার বেদিনা প্রস্তাব তৌরকখিবনি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান, মনোহল লাল অমদি অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

তুংদা, গৃহ মন্ত্রি য়াওনা চান্দিগরদা লৈবা রাজ ভবনদা চত্তুনা রাজ্যপাল বন্দারু দাতাত্রেয়া উন্নদুনা সরকার শেমবা দাবী তৌখি।

ৱাশক ঃ নেসনেল কনফরেন্স লুচিংবা ওমার অব্দুল্লাহ জম্মু-কাশ্মীরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌখ্রে। শ্রীনাগরদা লৈবা সের-ই-কাশ্মীর ইন্তরনেসনেল কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা জম্মু-কাশ্মীরগী উপ-রাজ্যপাল মনোজ সিনহানা শ্রী অব্দুল্লাহবু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। মহাক্কা লোয়ননা নেসনেল কনফরেন্স লুচিংবা সুরিন্দর চৌধুরিবু উপ-মুখ্য মন্ত্রি ওইনা অমসুং মীওই মরিনা মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখি। মখোয়গী মনুংদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অমা য়াওরি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগে, বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধি, সমাজৱাদি পার্তি প্রসিদেন্ট অখিলেস যাদব, জম্মু কাশ্মীরগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি মেহবুবা মুফতি অমদি ইন্দিয়া ব্লোক্কী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

ওমার অব্দুল্লাহনা জম্মু কাশ্মীরগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

------